# ইম্ফাল ৱেষ্টনা বিষ্ণুপুরবু মায়থীবা পীরগা সব জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরবু গোল ৩–০ দা মায়থীবা পীরগা ১৭ শুবা সব জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ৬ না গ্রুপ ২ দা শরুক য়াদুনা আর্টিফিসেল টর্ফ খুমন লম্পাক্তা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি বিষ্ণুপুরনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শরুক্তা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদ্রবসু ২ শুবা হাল্ফকী শরুক্তা ইম্ফাল ৱেষ্টনা য়াম্না হেন্না কন্না শান্নদুনা গোল ৩ চন্দুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী গোলশিং অদু এল মোনিসনা ৫১ শুবা মিনিটতা ১ অমদি এস ঐচ নেত্রজিৎ সিংহনা ৬৪ অমসুং ৮০ শুবা মিনিটতা ২ চনখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী এন দিঙ্কু, এস ঐচ নেত্রজিৎ, কে মিম সিংহ অমদি টি ঐচ বিশ্বামিত্রদা রেফরিনা মথংশিংনা ১৪, ৪০, ৫২ অমসুং ৭২ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখিবগা লোয়ননা বিষ্ণুপুরগী এন হেরোজিৎ সিংহদসু ৬৪ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

মেটচ অদু কে ব্রোজেন সিংহ, টি ঐচ সোমোর্জিৎ সিংহ, ঐচ অমর্জিৎ সিংহ অমদি পি ঐচ লম্হোইবনা কন্দক্ত তৌখি। নীংশিংবা য়াবদি ইম্ফাল ৱেষ্টনা দি এস এ ককচিংবু সেমি ফাইনেলদা গোল ১০–০ দা অমসুং দি এস এ বিষ্ণুপুরনা ইম্ফাল ইষ্টপু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোইশিং অদুদি এম রোমারিও সিংহ, কে জিম সিংহ, এল রোকি সিংহ, ঐচ নাওচা সিংহ, এম চলাম্বা, এল মোনিস সিংহ, কে ঐচ বিশ্বামিত্রা, কে ঐচ জোহেন সিংহ,সি ঐচ কমান্দর, অনাও গোলমৈ, এস ঐচ নেত্রজিৎ সিংহ, টি ঐচ জেমস সিংহ, এন দিঙ্কু, কেন্সন সি ঐচ, এন অজিৎকুমার, দব্লিউ প্রেমচান্দ, কে সনাতোম্বা, কে ঐচ চিংখৈ অমদি সেমসুংনুংনি।

বিষ্ণুপুরগী শান্নরোইশিং অদুদি এন নোংপোকঙানবা, ঐচ শান্তিদাস সিংহ, ঐচ মঙ্গীলাল সিংহ, দব্লিউ হেরোজিৎ সিংহ, এন খাবা সিংহ, এল সাগর সিংহ, এম থোইবা সিংহ, কে সুরজ সিংহ, এম জিপসন সিংহ, ৱাই হেমসন সিংহ, কে মনিরতন সিংহ, এল তোম্বা সিংহ, পি প্রিয়াসন, দব্লিউ মহেশ চান্দ, আর কে শ্রিনিবাস সিংহ, ৱাই সনাথোই সিংহ, এন য়াইফবা সিংহ অমদি এল অমজিৎ সিংহনি।


*চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী শান্নরাই অমদি ওফিসিয়েলশিং*

## পুখাও ফুটবোল

*ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ* য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা এস এফ এ কৈবী হৈকক মপাল অমদি পুখাও নহারুপ মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী মেটচতা এস এফ এ কৈবী হৈকক মপালনা পি ৱাই সি শগোলমাংবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর ওইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

এস এফ এগী গোল অনী অদু বোইচানা ৩৪ অমদি ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। পি ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সনামতুম্না ২০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী অরোইবা লীগ মেটচতা পুখাও নহারুপ্না পি ৱাই ও ললাম্বুংবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখি। পুখাও নহারুপকী মায় পাকপগী গোল অদু উত্তম্না চনখিবনি।

## য়ু–১৬ ক্রিকেট টিম শেমখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ* ঝারখন্দগী রাম্বিন্দা থা অসিগী ২০ দগী হৌগদৌরিবা য়ু–১৬ বি সি সি আই এসোসিয়েট অমদি এফিলিয়েট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা লাওথোকখ্রে। মণিপুর টিম থা অসিগী ১৮ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

মণিপুরগী মহুৎ শিন্নবা খনখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি এল সন্তোস মৈতৈ, এল জোনি সিংহ, এন জি জোন্সন, সোমিদ দেব, এন জি বিক্রমজিৎ মৈতৈ, এল সিটলজিৎ সিংহ, এল সুশিল সিংহ, এস মঙালসনা মৈতৈ, এন জি জেমসন সিংহ, পারিখোম্বা থিয়াম, আর কে রেক্স সিংহ, সি ঐচ বিদাস মৈতৈ, টি ঐচ মিলন সিংহ, এল দিপু সিংহ অমদি দব্লিউ দয়ানন্দনি। টিম অসিগী কোচ অমদি মেনেজরনা এস প্রিয়োবর্ত্তা সিংহ অমসুং দব্লিউ ইনাওতোম্বা সিংহনি।

## রেফরি রিঙ্কাহাও কৌরক্লে

*ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ* ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিন্দুনা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৪গী আইজোলদা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল রাউন্দগী মেটচতা কন্দক্ত তৌননবা এ আই এফ এফনা মণিপুরগী রেফরি রিঙ্কাহাও বাসু কৌরক্লে।

# ২শুবা জেনো কোর্পোরেট ফুটবোল চেলেঞ্জ

FOOTBALL

*ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ* টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি তাওবুংখোক্লা শিন্দুনা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা জেনো কোর্পোরেট ফুটবোল চেলেঞ্জ ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপ লীগ মেটচশিংদা এমসু, এ এফ সি, এক্না দিয়ু অমদি রাজ পোলি ক্লিনিক মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্কী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী মেটচতা এমসুনা আর কে ফোর্চুনবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখি। এমসুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু টি বোবিনা ১৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচতা এ এফ সিনা এস আর এম ইক্যুপ্টমেন্টসপু গোল ৪–২ দা মায়থীবা পীখি। এ এফ সিগী গোলশিং অদু টি মরিংমৈনা ৪২ অমদি এদিস্নেল টাইমগী অহানবা মিনিট ৬১ দা অনী, ৱাই মনিসনা অমদি এন মঙলেমনা মথংশিংনা ৬ অমসুং ২৪ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এস আর এমগী গোল ২ অদুনা এম চন্দ্রকান্তা অমদি রোমিওনা ৪৯ অমদি ৫৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (এফ)কী মেটচতা ইক্না দিয়ুনা কে এফ সিবু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখি। এক্না দিয়ুগী গোলশিং অদু কান্তনা ৪১ অমদি ৫১ শুবা মিনিটতা অনী, রেমোনা ৩৪ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। কে এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা গুনধজনা ১১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (ই)গী মেটচতা রাজপোলি ক্লিনিক্না ইবোয়াইমা সনসপু গোল ৫–২ দা মায়থীবা পীখি।

হয়েং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্না এল ৱাই এস গ্রুপকা অমদি রাজপ্রিগা ইন্দিবরগা শান্নগনি।

# মণিপুর বি সি সি আই এফিলিয়েট অমদি এসোসিয়েট ক্রিকেটকী ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ* মণিপুর বি সি সি আই এফিলিয়েট অমদি এসোসিয়েট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪ গী ফাইনেল চঙখ্রে। ঝারখন্দগী ধনবাদতা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি মেঘালয় অমদি বিহারগী মেটচকী ফলনা মণিপুরনা ফাইনেল চঙনবগী শান্নখিবদা মেঘালয়ানা ৱিকেট ৩ দা মায় পাকপদগী মণিপুর ফাইনেল চঙখিবনি। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৫ দা মণিপুরগা মেঘালয়াগা শান্নগনি। মণিপুর টিম্না ফাইনেল চঙবদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা হরাওবা ফোঙদোরক্লি।

















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*